# সিটিজন রেজিষ্ট্রি ফাইনেল ড্রাফ্‌ট মাঙওইননা অৰাং নোংপোক্তা পুলিস চেকশিন্না লৈহনখ্রে




**শিল্লোং।কোহিমা জুলাই ২৮ ঃ** নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) গী ফাইনেল ড্রাফ্‌ট অদু গুৱাহাটিদা জুলাই ৩০ দা ফোঙগদৌরিবা অসিগী মতুংদা অসামগা থংনরিবা অৰাং নোংপোক ষ্টেট কয়ামরুমদা আইন্না য়াদবা ইমিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা য়াবা অদু থিংনবা অসামগা যূমথংনরিবা অৰাং নোংপোক্কী ষ্টেট কয়ামরুমনা মখোয়গী পুলিস ফোর্সশিংবু চেকশিন্না লৈহনখ্রে।

বাংলাদেশকা ঙমখৈ তাইনরিবা অসামদা আইন্না য়াদবা ইমিগ্রেন্টশিং মশক খঙদোক্লবা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) খ্বাইদগী নৌবা থাক্তা শেমদোক্লি।

কুমজা ১৯৫১ দা অহানবা এন আর সি থৌরাং তৌখিবা অসামনা লৈবাক অসিদা এন আর সি লৈবা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেটনি।

ষ্টেট অসিনা মেঘলায়া, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং মণিপুরগা ঙমখৈ তাইনরি। অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা চেক গেট পূন্নমক্তা মীশিং-নাশিংনা চেকশিন্না লৈনবা মখোয়গী পুলিস দিপার্টমেন্টতা য়াথং পীখ্রে। মেঘলায়া পুলিসসু অসামগা লোন্নবা ঙমখৈ পরীংদা চেকশিন্না লৈহনখ্রে হায়না ষ্টেট অনীগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামগা তাইনবা নাগালেন্দগী ঙমখৈ পরীংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং থাজিন্দুনা ঙাক শেনহনখ্রে। অদুবু মিজোরামগী ওইনদি থৌরাং অদুগীদমক পুলিসতা অকক্লবা পাউতাক হৌজিক ফাওবা পীদ্রি হায়না ষ্টেট ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

অসামদা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং ওইনবগীদমক মার্চ ২৪, ১৯৭১ বু কট-ওফ দেট ওইনা লেপ্পগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অপদেট তৌবগী থবক চংখরি।

ইন্দিয়ান সিটিজনসিপ ওইনবগীদমক পূন্না মীওই ক্রোর ৩.২৯ গী এপ্লিকেসন থাগৎলকপগী মনুংদা মীওই ক্রোর ১.৯ গী মমিং য়াওবা এন আর সি গী অহানবা ড্রাফ্‌ট অদু দিসেম্বর ৩১ অমসুং জনুৱারী ১ গী লোন্নবা অহিংদা ফোঙখি।

মেঘলায়া দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস এস বি সিংহনা ফোঙদোকপদা অসামগা থংনবা মিজোরামগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী এস পি শিংগা অসামদগী চেনশিল্লকপা মাইগ্রেন্টশিং থিংনবা অমগা অমগা পাউ ফাওনদুনা অমসুং তেংবাঙননবা খঙহনখ্রে হায়খি।

অরুনাচল প্রদেশকী চেক গেট পূন্নমক অৰাংবা থাক্তা মীৎ-না শীংনা লৈহনখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী মনুংদা চঙলকপা মীওই খুদিংমক চেকশিন্না য়েংশিন্নবসু খঙহনখ্রে হায়না ষ্টেট অদিগী দিপ্যুটি ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস তুসার তাবানা হায়খি।

করিগুম্বা মাইগ্রেন্টশিং হুপচৎলকপা য়াবগী চিংনবা লৈরবদি ঐখোয়গী পুলিস পার্সোনেল মতীক চানা লৈ। মদুগী মথক্তা অহেনবা পার্সোনেল থাজিনগনি হায়না ষ্টেটকী কোনুং ইতানাগরদা মহাক্না হায়খি।

মাইগ্রেন্টশিং থীংনবা মাঙজৌননা লৌখৎপা খোঙথাং অমা ওইনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনসু অসামগা থংনবা মখোয়গী ঙমখৈ পরীংদা হান্না লৈবা পুলিস ফোর্সশিংগী মথক্তা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিন্দুনা ঙাক-শেনহনখ্রে।

মাঙজৌননা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱারেপ লৌননবা নাগালেন্দ চীফ সেক্রেটরী তেমজেন তোয়গী চিয়ার্মেনসিপ মখাদা লৈবা হোম অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টশিংগী অপুনবা মীফম অমা যূমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে হায়না কোহিমাদা থোকপা চেরোল অমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

অদুম ওইনমক এন আর সি গী ফাইনেল ড্রাফ্‌ট অদু ফোঙলকপনা মিজোরামদা থোইদোকপা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম কায়হল্লক্তবা য়াই হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা আশা তৌরি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা মাইগ্রেন্টশিংগী মরমদগী করিগুম্বা অকক্লবা অকিবা অমত্তা পীরক্ত্রিবা মরমনা এন আর সি গী ফাইনেল ড্রাফ্‌ট ফোঙবা অদুগা মরী লৈননা ঐখোয়না অখন্নবা পাউতাক অমত্তা পীদ্রি হায়না মিজোরামগী এদিস্নেল সেক্রেটরী ফোর হোম লালবিয়াকজামানা হায়খি।

এন আর সি গী ফাইনেল ড্রাফ্‌ট ফোঙগদৌরিবা অদুগী য়েংদুনা অসাম অমসুং মসিগী থংনরিবা ষ্টেটশিংদা সেক্যুরিটি কনখৎহন্নবা সেন্টরনা হান্নদা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ট্রুপ ২২,০০০ হেন্না থাখ্রবনি। এন আর সি দা মমিং য়াওদবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা করিগুম্বা অকনবা থবক অমত্তা লৌখৎতনবসু হোম মিনিষ্ট্রীনা অসাম গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

# ইম্রান খাননা পাকিস্তানদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং হৌখ্রে



**ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৮ ঃ** চয়োল অসিদা পাঙথোকখিবা পাকিস্তানগী মীখলদা পার্লিয়ামেন্টতা মহাক্কী পার্টিনা অতৈ পার্টিদগী মশীং খ্বাইদগী হেন্না ফংখ্রবা মতুংদা ইম্রান খাননা লৈবাক অসিদা মথংগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং হৌখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অমসুং ইন্ডিপেন্দেন্টশিংগা পাউ ফাওনবা হৌখ্রে।

মীখল অদু পাকিস্তানগী শক্তি লৈরবা আর্মিনা য়ান্না চাওনা খূৎ থিংজিনখি হায়না সাউথ এসিয়া এক্সপার্টশিং অমসুং পাকিস্তান ওবজার্ভরশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবা মোত ফোঙদোকপা হেনগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা ইম্রান খাননা মাগী পাকিস্তান-তেহরীক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিবু পার্লিয়ামেন্টরিগী মীখলদা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখিবনি।

পি টি আই না হৌজিক ফাওবদা নেস্নেল এসেমব্লি সিট ২৭০ গী মনুংদা ১১৫ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেস্ট পার্টি ওইখ্রে।

ইম্রান খাননা ঙরাং ইস্লামাবাদতা সাউদি এম্বেসেদর নাৱাফ সায়ীদ অহমদ অল-মালিকি উন্নখি অমসুং পি টি আই গভর্ণমেন্ট মতম মনুংদা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা খন্নখি হায়রি।

পঞ্জাব প্রোভিন্সতদি হৌজিক জেলদা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) না সিট মশীং য়ান্না ফংলি অমসুং প্রোভিন্স অসিদা মখোয়না গভর্ণমেন্ট শেম্নবা হোৎনরি অদুবু ইম্রান খাননা পঞ্জাবকী গভর্ণমেন্ট অসি শেম্নবা অমসুং ফেদরেল কেবিনেটকী মতাংদসু মহাক্কী পার্টি লুচিংবশিংগা ৱা খন্নখ্রে।

পাকিস্তানদা লৈরিবা আইনগী মতুং ইন্না লোমেকরশিং ৱাশক লৌনবা অমসুং অনৌবা স্পিকর খন্নবা মীখলগী নুমিৎ ২১ নিগী মনুংদা পাকিস্তানগী প্রসিদেন্টনা অহানবা নেস্নেল এসেমব্লিগী সেসন অদু কৌগদবনি। মরম অদুনা হৌজিক নেস্নেল এসেমব্লিগী তঙাই ফদনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রিবা সেসন অদুগী মমাঙদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগীদমক ইম্রান খানগী চয়োল অহুমগী মতম লৈরি।

# পাকিস্তান পার্টিশিংনা নৌনা মীখল পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা প্রোটেষ্ট চখনবা লাওথোকখ্রে

**ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৮ ঃ** চয়োল অসিদা পাকিস্তানদা পাঙথোক্লিবা অমসুং ক্রিকেট হিরো ইম্রান খানগী পার্টিনা মায় পাকখিবা মীখলশিং অদু অরানবা কয়া তৌখি হায়না মরালশিং শীখিবগী মখা তাবদা পাকিস্তানগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী গ্রুপ অমনা নৌনা মীখল পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা ঙরাং প্রোটেষ্টশিং চখরগনি লাওথোকখ্রে।

ঐখোয়না অমুক্কা মীখল পাঙথোকহন্নবা খোঙজং অমা চখরগনি। প্রোটেষ্টশিং তৌরগনি হায়না হান্না রুলিং পার্টি ওইরম্বা পাকিস্তান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) সু য়াওবা ওল পার্টিস কনফরেন্সতগী মৌলানা ফজলুর রেহমননা হায়খি।

পি এম এল-এন গী লুচিংবা শাহবাজ শারিফনা খোঙজং অদু শৌগৎকনি হায়না লাওথোকখি অদুবু মখোয়না পাকিস্তানদা ৱাশক লৌবগী থৌরমশিং অদু বোয়কোট তৌগদ্রা হায়বা মাগী পার্টিদা খন্নবগী মথৌ তারি হায়খি।

পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী শাথিবা মখলগী ইরিগুলারিটিশিং চখখি হায়না শারিফনা হায়খি।

ইম্রান খানগী মীচঙদা লৈবাকসিগী শক্তি লৈরবা মিলিটরিনা খূৎ থিংজিন্দুনা অরানবশিং তৌখি হায়বদু পাক শন্না থা কয়ামরুম মরাল শীন্নরকখিবা মতুংদা হন্দক্কী মরু ওইবা মীখল অদু পাকিস্তানগী খ্বাইদগী মোৎপা মীখল অমনি হায়খি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ইলেক্সন ওবজার্ভরশিংনসু কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা লৈবাকসিগী মমাঙগী মীখল অদুগুম্না হন্দক্কী মীখল অসিসু ফৎখিদে লোয়ননা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা চপ মান্নন্না ফংহনবা ৱাৎখি হায়বগী নুংনাংবশিং ফোঙদোকখি।

ইম্রান খান পার্টিগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিশিংনা ওল পার্টিস কনফরেন্সনা আপিল তৌখিবা এলাইয়েন্স অমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা উন্নখি। পার্টি ১২ হেনবদগী লাকখিবা মেম্বরশিংগা লোয়ননা ষ্টেজ মথক্তা লেপ্লদুনা ওল পার্টিস কনফরেন্সতগী মৌলানা ফজলুর রেহমননা হায়খি, "ঐখোয়না দেমোক্রেসিবু ইষ্টাব্লিসমেন্টনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিনবা য়াহল্লোই।"

পাকিস্তানগী ইতিহাসকী তঙ্খাই অমরোম অশুপ্পা শক্তি পায়বা আর্মিনা লৈঙাক্লকখ্রবনি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিদা হন্দক্কী মীখল অদু লৈবাক অসিদা তাঙলবা দেমোক্রেটিক ট্রান্সিসন অমগীদমক পাঙথোকখিবনি। অদুবু মীখল অদু মিলিটরিনা খূৎ থিংজিল্লকখিবগী মরাল কয়া অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিংনা অকায়বা কয়া থোকহনখি। মীখলগী ফলশিং ইরাই নুমিৎকী অথেংবা ফাওবা লাওথোকপা লোইখিদে। অদুম ওইনমক খানগী পাকিস্তান টেহরীক-ই-ইনসাফ পার্টিনা নেস্নেল এসেমব্লিদা লৈবা সিটশিংগী খ্বাইদগী চাওবা শরুক ফংখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা চুঙশিন্নবা খোঙবু অমা শাগৎনবগী থবক হৌখ্রে।

# সনা-সুদোকু -১২৪১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 7 | 1 | 5 | 9 | 8 | 6 | 2 |
| 1 | 6 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 | 9 | 4 |
| 9 | 2 | 8 | 6 | 4 | 7 | 5 | 3 | 1 |
| 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 8 | 6 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 7 | 1 | 3 | 2 | 9 |
| 6 | 9 | 1 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 5 |
| 7 | 8 | 4 | 5 | 6 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 3 | 5 | 2 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 | 8 |

# স্বিস আল্পসতা প্লেন ক্রাস তৌবদা ৪ শিরে

**জিনেভা, জুলাই ২৮ ঃ** স্বিস আল্পসতা অৰাংবা গ্লেসিয়ার অমগী মতোন্দা লাইট এয়ারক্রাফ্‌ট অমা থেংজিন্দুনা কায়বগী থৌদোক্তা এয়ারক্রাফ্‌ট অদুদা তোংবা মীওই ৪ শিরে হায়না ঙসি থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অসি মমিং চৎলবা লম কোয়বশিংগী লমদম অসিদা থোকপা খ্বাইদগী নৌবা মীশি-মীনা থোকপা থৌদোকনি।

দুনান্দ পাস হায়না খঙনবা মফম অমদা ঙরাং নুংথিল পূং ৪.৪৫ রোম তাবদা সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৩,৩০০ ৱাংবদা প্লেন অদুনা নেন্না পাইথরকখিবনি হায়না খা থংবা বলাইস কেন্টনদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা পুলিসনা হায়খি।

স্বি মরি লৈবা প্লেন অদু রোবিন কৌবা ফ্রেঞ্চ ফার্মনা শাবনি হায়বা মশক খঙবা ঙমখ্রে অমসুং প্লেন অদু কোয়দুনা শান্নবগীদমক সিওন এয়ারপোর্টতগী পাইখৎলকখিবনি।

অথুবা খুদোংথিবগী ঈ-পাউ অমা ফংলবা মতুংদা ওথোরিটিজিনা চীংদোন অদুদা রেস্ক্যু টিমশিং থাজিনখি। অদুবু মফম অদুদা পাইলোট অমসুং পেসেঞ্জর অহুম শিদুনা লৈরম্না থেংনখি।

অকনবা উনপাকশিংনা কুপ্পা চীংদোন অদুদা প্লেন অদুনা থেংগাইবদগী থোকপা খুদোংথিবা থৌদোক অদু করন্না থোকখিবনো হায়বগী চপ চাবা ৱারোল অদু হৌজিক ফাওবা লেপ্পা ঙমদ্রি হায়না পুলিসনা মখা তাখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মশক-মমিংসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী নুংথিনদা থোকখিবা প্লেন ক্রাসকী খুদোংথিবা থৌদোক অদু উনপাক কয়া নীংখাইবগী থৌদোকশিংদা হাইকর কয়ামরুম শিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা স্বিস আল্পসতা মহৌশা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা নিংথমথাদা থোকখিবনি।

# পিক্নিক চৎপশিং তোংবা বস মুম্বাই-গোৱা হায়ৱেগী চীংদোলগী শরুক অমদগী ওন্থরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩ শিখ্রে



**রাইগর, জুলাই ২৮ ঃ** ঙসি অয়ুক মহারাষ্ট্রদা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমগী পিক্নিক চৎপা এমপ্লোয়ীশিং তোংবা বস অমা মুম্বাই- গোৱা হায়ৱেগী চীংদোনগী শরুক অমদগী ওন্থরকপদা য়ামদ্রবা মীওই ৩৩ শিখ্রে।

বস অদুদা পূন্না মীওই ৩৪ তোংবনি অদুবু খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শুপ্পগী মী অমখক হিংহৌখি। মহারাষ্ট্রগী রাইগর দিষ্ট্রিক্টতা খুদোংথিবা থৌদোক থোকফম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং ১১ লৌখৎলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

বস অদুনা চীংদোন অদুদগী ফুট ৫০০ লুবা মফমদগী তারকখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সিনা হায়রি।

ঐখোয়না মীওই ৩৩ শিরে অমসুং শুপ্পগী মীওই ১ খক হিংহৌখি হায়বসি খঙলে। ঐখোয়গী তিমনা অশিবা হকচাংশিং অদু লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স কম্যান্দেন্ট অনুপম শ্রীবাষ্টভানা হায়খি।

ষ্টেট মিনিষ্টর বিনোদ তৱাদেনা খুদোংথিবা থৌদোক থোকপা মফম অদুদা চঙশিন্নবা অমসুং খুদক্তা রেস্ক্যু ওপরেসন হৌনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে।

ৱেষ্টর্ন ঘাটতা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোক্লিবা হায়ৱে অদুগী শরুক অদু হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী হৌনা নোং কন্না চুখিবনি। নোং কন্না চুখিবা অদুনা লম্বী চোৎ-চোৎ লাওবা অমসুং য়ান্না নানবা অদুগা মরম ওইদুনা চৎপদা খুদোংথিবা ওই হায়না পুলিসনা হায়খি।

ডা. বালাসাহেব সৱান্ত কোনকান কৃষি বিদ্যপীথকী এমপ্লোয়ীশিং অদু মহাবালেশ্বরদা পিক্নিক চৎখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা অমত্তা ঙাইরবা হিংহৌবা মীওই অদুনা লোকচপ অদুগী মখাদগী লম্বী অদু য়ৌনা কাখৎলকখি অমসুং পুলিসতা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী পাউ পীরকখিবনি। মদুগী মতুংদা মী কনবগী মীওইশিং মফম অদুদা চঙশিনখি।

পুনেদগী নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অমসু সর্চ এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অদুদা য়াওখি।

বস এক্সিদেন্ট অদুদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা অদুনা মখোয়বু থম্মোয় শোকহল্লে হায়না প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ট্যুটরগী খুথাংবা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু শোক্লবা মীওই অমসুং লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুং মনুংশিংদা পাঙবা য়াবা মতেং পূন্নমক পাঙনবা মফম অদুদা চৎনবা মাগী পার্টি ৱার্করশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

# অসামদা সাইবর ক্রিমিনেলশিংনা বেঙ্ক একাউন্ট ১ দগী লাক্ষ ১০ লৌথোকখ্রে

**গুৱাহাটি, জুলাই ২৮ ঃ** অসামদা মীনমদুনা শেন লৌথোকপগী থৌদোক থোকপা হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা অতোপ্পা থৌদোক অমদা সেন্ট্রেল বেঙ্ক গুৱাহাটিগী কষ্টমর অমবু সাইবর ক্রিমিনেলশিংনা য়ান্না লাকচনা মীনমখ্রে হায়রি।

সেন্ট্রেল বেঙ্কতা থম্বা মহাক্কী একাউন্টতগী সাইবর ক্রিমিনেলশিংনা মহাকপু মীনমদুনা লুপা লাক্ষ ১০ লৌথোকপীখিবা মীওই অদুগী ফোন নম্বর অদু ব্লোক তৌশিনখি। মদুগী মতুংদা মাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী লুপা লাক্ষ ১০ লৌথোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই খরা চেন্নে হায়বদি খঙলে। কষ্টমর অদুনা ফাতাসিল অম্বারি পুসিল ষ্টেসন্দা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রে হায়রি।

# য়ু পি দা নোং চুবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা নুমিৎ হুন্নিরোমগী মনুংদা পূন্না মীওই ৫৮ শিখ্রে

**লক্ষনৌ, জুলাই ২৮ ঃ** উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোং কন্না চুদুনা অৱাবা মায়োক্লহনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী ষ্টেট অসিদা নোং চুবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা পূন্না মীওই ৫৮ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ৫৩ শোকখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

শিখিবশিং অদুদি সাহরানপুরদা ১১, মীরুটতা ১০, আগ্রাদা ৬, মাইনপুরিদা ৪, মুজাফরনগর অমসুং কাসগঞ্জতা ৩/৩, অমরোহা, বারৈল্লি, ভগপাট অমসুং বুলন্দশাহরদা ২/২ অমসুং কানপুর দিহাট, মথুরা, ঘাজিয়াবাদ, হাপুর, রে বেরেলি, জলাউন, জৱনপুর, প্রতাপগর, বন্দা, ফিরোজাবাদ, অমেথি, কানপুর অমসুং বিলিভিটতা ১/ ১ নি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

মেটিওরোলোজি দিপার্টমেন্টনা সোনেভদ্রা, মিরজাপুর, চন্দাউলি, বরানাসি, ঘাজিপুর, বাল্লিয়া, মৌনাথ ভঞ্জন, অজামগর, দিওরিয়া দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং মসিগী থংনবা মফমশিংদা নোং অমসুং নোং-নুংশিৎ কন্না চুবদগীনা য়ান্না কন্না চুবা ফাওবা য়াই হায়না মাঙজৌননা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিলিফ কম্মিস্নার'স ওফিসকী ৱাঙাংলোয় অদুনা মখা তারদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোং চুখিবগী চাংসু ফোঙদোকখি।

নোং চুবগী চাংশিং অদুদি মীরুটতা সি এম ২৩, সাহরানপুর অমসুং মুজাফরনাগরদা সি এম ১৩/ ১৩, বিজনোরদা সি এম ১০, মোরাদবাদতা সি এম ৮, এটৱাহদা সি এম ৭, হরদোই অমসুং বাহেরিদা সি এম ৬/ ৬, কন্নৌজ, গৌতম বুধনগর, পিলিভিট অমসুং বারৈল্লিদা সি এম ৬/ ৬ নি।

সেন্ট্রেল ৱাতর কম্মিসন (দি দব্লিউ সি) বুল্লেটিন অমনা ফোঙদোকপদা শারদা অমসুং ঘাগরা তুরেলশিংগী ইমায়শিং মরু ওইনা মথংশিংনা পালিয়া, কালান অমসুং এলগিন ব্রিদজ (বারাবানকি) দা খুদোংথিবা থাক্তগী হেন্না চেনখ্রে হায়রি।

মরকসিদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্কী সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংদা মীয়াম্বু মিৎ-মনা শীংনা লৈহন্নবা অমসুং ঈশিং-ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিংদা পাক-চাওনা য়েংশিন্নবা ফিভম শোক্লবা বিল্ডিংশিং মশক খঙদোক্লবা অমসুং অদুগুম্বা বিল্ডিংশিং অদু হাংহন্নবা খঙহনখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা হায়খি।

# জে এন কে দা টেরোরিষ্টশিংনা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার ফাখ্রে

**শ্রীনগর, জুলাই ২৮ ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস ষ্টাফর অমা টেরোরিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী কুলগামদা পুলিস কন্সটেবল অমা ফারগা পুখিবা অমসুং হাৎখিবগী থৌদোক অমগী নুমিৎ খরনিগী মতুংদা থোক্লিবা পুলিসমেন ফাবগী পাউ অসি মখোয়না য়েংশিল্লি হায়না ষ্টেট পুলিস চীফ এস পি বাইদনা হায়খি।

স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার নৎত্রগা এস পি ও অদু চাক থোংবা অমা ওইনা থবক তৌবনি। মহাক্কী মরী-মতাশিংনা ফোঙদোকপদা মহাক মাগী মন্দোমচাগী য়ূমদা চৎখিবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা এস পি ও শিং অসি নোংমগী ওইবা থবক ইনখাং অমসুং এন্টি-টেরোরিজম ওপরেসনশিংদা পুলিসতা মতেং পাঙবশিংনি। মখোয় পুলিস ফোর্সকী রিগুলার এমপ্লোয়ী নত্তে।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা হন্দক কুইদ্রিঙৈসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওইশিং ফাবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে। পুলিসতা নৎত্রগা মিলিটরিদা চঙবদা কিহন্নবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা লন্নাই মীওইশিংদা পান্দম থমদুনা থবক চখরি হায়দুনা সেক্যুরিটি এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

কুলগামদা পুলিস কন্সটেবল অমা ফাবা অমসুং হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতুং আর্মি অমসুং পুলিসনা পূং ১২ গী মনুংদা টেরোরিষ্ট ৩ কাপ্পুনা হাৎখ্রবনি।

থা অসিগী অঙনবদসু জাবেদ অহমদ দর কৌবা পুলিস কন্সটেবল অমা শোপিয়ানদা লৈবা মাগী খুনদগী টেরোরিষ্টশিংনা ফাখি অমসুং হাৎখি। মমাঙগী থাদা ঔরঙ্গজেব কৌবা আর্মি জৱান অমসু ইদ ফেষ্টিভেলগীদমক ময়ূমদা চৎখিবদা পুলৱামাদা টেরোরিষ্টশিংনা ফাখি অমসুং হাৎখি।

কুলগাম টেরোরিষ্টশিং অদুগী মথক্তা খোঙলৈ থুনা ওপরেসন চখদুনা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখিবদু ছুটিদা লৈবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলদা পান্দম থমদুনা কা হেনবা থবক চখরকপশিং অদুদা থুনমক চপ চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম অমনি।

অমগী মথংদা অমা ঐখোয়গী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়গী এন্টি-টেরোরিজম ওপরেসনশিং মায় পাক্না মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি। অদুবু মফম-মফমগী সেক্যুরিটি পার্সোনেল হাৎপগী থৌদোকশিং অসি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা কাশ্মীর নহাশিং য়াওবা পামহন্দনবা অমসুং ৱাখল শোন্থহন্নবা লৌতুনবগী ওইবা খুজিন থৌরাং অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরিবা জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি।

# নোং অমসুং ঈচাওদা ষ্টেট ৫ দা পূন্না মীওই ৪২৫ শিখি

**ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ ঃ** হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মোনসুন সিজন অসিদা নোং চুবা অমসুং ঈশিং ঈচাওশিং থোকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৫ দা মীওই ৪৬৫ য়ৌনা শিখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিগী নেস্নেল ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সেন্টরগী মতুং ইন্না শিখিবা মীগী মশীং অদুদি মহারাষ্ট্রদা ১৩৮, কেরলাদা ১২৫, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ১১৬, গুজরাটতা ৫২ অমসুং অসামদা ৩৪ নি। হায়রিবা মশীং অসি উত্তর প্রদেশতা শিখিবা ৫৮ গী মশীং থাদ্রিবনি।

মহারাষ্ট্রগী দিষ্ট্রিক্ট ২৬ তা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট ২২, অসামগী ২১, কেরলাগী ১৪ অমসুং গোৱাগী ১০ দা নোং কন্না চুবা অমসুং ঈশিং ঈচাওগী থৌদোকশিংনা অৱাবা মায়োক্লখি।

অসামদা মীওই লাক্ষ ১০.১৭ না নোং চুবা অমসুং ঈশিং ঈচাওশিংগী অৱাবা মায়োক্লখি। মদুগী মনুংদা মীওই লাক্ষ ২.১৭ রিলিফ কেম্পশিংদা লৈখি।

নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম ১২ না অসামদা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিং চখখি হায়না রেস্পোন্স ফোর্স অসিনা হায়খি। পার্সোনেল ৪৫ না মসিগী টিম অমা শাই।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীওই লাক্ষ ১.৬১ নোং অমসুং ঈচাওনা শোকহনখি। গুজরাটতা মীওই ১৫,৯১২ শাফগদবা মফমদা পুথোক্লকখি। কেরলাদা মীওই লাক্ষ ১.৪৩ ঈচাওনা শোকহনখি।

# SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-1242**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | 1 | 2 | | | 5 | 6 |
| 9 | | | | | | | 2 | |
| | | | | 5 | | | 9 | 7 |
| 1 | | | | | | 2 | | |
| 7 | | | 3 | | 5 | 6 | | |
| | | | 7 | | 2 | | | 1 |
| | 3 | | | | | | | |
| | 9 | 7 | 5 | | | | | |
| | | | | 8 | | 5 | 1 | |